# মীয়ামদি পোরোং থোক্লেহে

## চাক্তামিন্নে হায়দুরা, ওন্থোক্লা মান্নজখ্রে

'মখোয়সিবু ওন্থোক্লা মান্নজখ্রে' হায়বা ৱাহৈ অহুম খক্কী ৱাহৈ পরেং অমা হন্দক মরক মণিপুরগী মীয়াম, মরু ওইনা তম্পাক লমনি হায়রিবা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামগী চিন্দোন-লৈতোনদা পক্ল রক্লিবসিবু করিগীনো, করিদগী মওইরমগদগে? মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াগী ৱাংমদা চৎতুনা মতম শাংনা লৈরুবসু য়াওদে। মে ৩, ২০২৩দা পীস রেল্লিনি হায়বা'মা চৎলগা মখোয়-মশেল পুনশিন-তাশিন্নরগা নুমিৎতুগী নুংথিলদগী 'খণ্ড-প্রলয়' ওইহল্লক্লিবা তমথীরবা লানসি হৌরক্লিঙৈ মমাঙদগী লংফে চৎলুবসু লৈতে। লানগী তমথীরবা মৈশাশিং হৌরকপদগীনা হৌজিক ফাওবা অমত্তা মাথোক্তনা মায়োক্ল রক্লিবনি। চহী ২ হেঞ্জিল্লকপদগী অসুক কুইরবা মতমসিদা তারক্লগা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী চলাইরক্লিবা 'প্রসিদেন্টস রুল' গী লৈঙাকসিনা হৌজিক থা ৪ মপূং ফাজিল্লক্লবা তাঞ্জাদা য়াম্না তোয়না ৱাহৈ পরেংসি হায়ন-শরুবা অমসুং ঙাঙনবা তারক্লে হায়বনি। ৱাহৈ পরেংসিদা য়াওরিবা 'মখোয়' হায়বসি শন্দোক্লা অমসুং কোইথোক্লা হায়রুদ্রবসু মমুৎ তানা খঙবা মীওইশিং য়াওরমগনি। খঙনা-খঙনা খঙশিন্নদবসু য়াওদোইনি। অদুগা শুকখঙ খঙদবসু য়ামদোইনি। মিৎয়েং-নায়েং অমসুং মিৎচিনা য়েংবদদা আ... য়ৌনা খঙদ্রবসু মীতৈ ৱাহৈদা 'ইঙ্গিৎ-ঈরাংদা ফাওবা করিমত্তা খঙজদে' হায়বা'মা লৈবসিনসু মণিপুরগী মীয়াম, থোইদোক হেন্দোক্লা য়েলহৌমী মীতৈশিংনা হৌজিক ফাওবদা মফম চাদবদা খিনবা খরুংগা পাঙ্খক্লরিবনি। 'মখোয়' হায়রিসে অতোপ্পা কনামত্তা নত্তেনে, হৌজিক অহুল্লক শুরকপা টর্ম য়ৌনা য়ুনিয়ন লৈঙাক লুচিংদুনা পায়রক্লিবা দেল্লীগী অঙম্বশিংসিনি। মস্বাইদা ব্রেক ফারদোইনি। হেঞ্জিন্না লানশিন্দুনা পিদ্রিৎ থোক্লুগা হায়রুবা য়াবা নত্তে। নিংথৌ মনা ফক্লাংদা থেৎলি হায়দুনি। লাপ্না লৈজরসু স্বাইদা মখোয়গী মিৎ-নাকোং ওইবা খোঙবী-খোঙনাও ওন্থোক্লা য়াম্না লৈখ্রবা জাৎনি। মণিপুরদা 'শামু মমৈ পৎ-তৎ, কৈথেল ৱা কায়'বগী রিপোর্টশিং মিৎনা কূপ্পদা মখোয়গী নাকোং য়ৌরিবনি। মসিগী মথক্তা অথাপ্পদা লৈরিবশিংসিনা নাকল অমরোমদদি খরবু ফখ্রে। স্বাইদা লৈবা মখোয়গী অচানবা মনাইশিংসিদি ওন্থোক্লা কৈনো'মনি। অঙাং ওলহনবীদ্রবা ফাওবদা ফৈজে চিংথোকপগুম্না পুমপৈ-পৈহনবীবা ঙম্বনি। কৌ-কৌদুনা ৱারক-ৱাতেমলিনি, ৱাখল তামিন্নরিনিগা হায়জবশিংসু খুরক হাঙদবা মখৈ লৈজখিবনি। থিংদোক-থিংজিন অমসুং কন্দিশন খরা থল্লেগা হায়দুনা পুমশুপ-শুপ্পা ওথোরিটিগা শাজবশিংনসু শৌ শাখিবনি।

অদুবু দেল্লীদা য়ুনিয়ন লৈঙাক মথং-মথং ইন্সোন কাংদনা পায়রক্লিবা স্বাইদনা 'মখোয়' হায়দুনা খঙনরিবশিংসিগা স্বাইদা লৈবা মখোয়গী মচা-মশুমক্লি হায়বদা ফাওবা কা-হেঞ্জিনবা অমসুং 'মন্‌বা' ৱাফম ওইররোইদবা মরোই-মনাও অমসুং খোঙবী-খোঙনাওশিংসিগা ওন্থোক্লা মান্নরিসিবু করিগী ওইগদগে? চুম্না হায়ফেৎকা মান্নবা নত্তে, পুমখোক হেক খোকচিল্লগা ওন্থোক্লা মান্নখ্রবা!! মখোয় মশেলগী খূৎমান্নসিদি লৈত্রে। মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লুগা হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা লানসিগী হৌরকফম মরমশিংদগী হৌনা মান্নরকই। মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনবীয়ু হায়জরকপদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দিরেক্সন অমা পীখিবদগীনি হায়বদগী হৌরক্লগা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংননি অমুক হায়খিবা, দ্রগকী মায়োক্তা 'ৱার ওন দ্রগস' চঙশিন্দুনা পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎলুবদগীনি হায়বা য়াওনা 'ঐখোয় মশেল ৱাখল তানহৌদবদগীনি' হায়বা ফাওবদা মান্নখি। হৌজিকসুনি, নেশনল হায়ৱেশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট তৌহল্লু হায়রুবদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস (এম ঐচ এ) গী সিক্যুরিটি এদভাইজর (নোর্থ-ইষ্ট) এ কে মিশ্রানা মতম খরা চঙখিগনি হায়রক্লিবসিনি। ৱাফমসি এ কে মিশ্রাগুম্বা অমনা হায়রকপা ওইরবসু মণিপুরগী মীয়াম্নদি য়ুনিয়ন লৈঙাক অমসুং হোম মিনিষ্ট্রিনা হায়রকপনি হায়দুনা লৌগনি। লৌফমসু থোকই। দেল্লীদা লৈবগা স্বাইদা লৈবা 'মখোয়' হায়বসিনা কোনশিল্লিবা ময়ামসিনা মান্নবসি মসিনসু লোইবা খন্বা ওইদ্রি। স্বাইদসু তোয়না হায়খিবদুবু 'ঐখোয়সু য়েংবনি, খাঙবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈরক্লবদি তূমিন্না লৈথোক্লোই' হায়খিবা ওইরমান্নে। দেল্লীদা লৈবা অমিট শাহনসু কুকি-জোগী খূৎলায় পায়বা, হিংচা-য়াইতম্বগী অকি-তুজুংবা থৌদোকশিং থোকহনখ্রিবশিংসি 'টেররিষ্ট' নত্তে হায়দুনা মরৈদুনা খৎলগা মচিন্না ফোঙদোকপা ঙমখ্রিবনি। 'তূমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই' হায়দুনা তোয়না ৱাশক্লম্বা ষ্টেট লৈঙাক্তু পুন্নেনা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দা 'শ্বর' শৎতোক্লগা এসেমব্লিবু 'সস্পেন্দেদ এনিমেশন' দা থম্লগা নুমিৎসিদগী চৎনহল্লকখিবা 'প্রসিদেন্টস রুল' গী লৈঙাক্লোইশিংগসু মখা তানা মান্নরক্লি। মসিবু সুধা, সাপোন অমসুং সর্ফনচিংবনগা কোকহনবা ঙমদ্রবা করম্বা চেৎখ্রবা করি কম্পনিগী মচু (রং) না শংদুনা চপ মান্নহনবা ওইরমগদগে? নৎত্রগা কদাই ফাওবা থাক ৱাংলবা মতিক ময়াই চেনবা জাৎনো? চপ মান্নে, অমত্তা চিংখদনা ওন্থোক্লা মান্নজখ্রে। চহী ২ হেঞ্জিল্লক্লবা লানসিগী ৱারোইশিন পুরকপদি লায়রদনা মতু নাম্মা ফাওবা তেকহনবা অমসুং কেলহনবা ঙমজদে। মশীংদা করিদা খেন্নবগী ৱানি, মমাঙগী ৱাশক্কনবা লৈঙাক্তু লৈরিঙৈদনা খরা য়ামখিবগী ৱানি। প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক্লোন মনুংদসু মফম খঙখিদবা মীওই শরূ মচেৎ অমত্তং ওইনা ফাওবা ফংদবগী থৌদোক থোকই। লান তৌরক্লিবা মীওইশিংগী খুল ফাওদুনা চৎকদবা বসতা 'মণিপুর' থাবা য়ারোই হায়রকই। মীয়াম অমসুং লূপশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লগনা মমাঙগীদুগা চপ মান্নবা ইন্টরনেট/মোবাইল দাটা সর্ভিস থিংজিল্লি, কর্ফিয়ুগী খুদোল তল্লকই। মান্নদবা য়াওরিব্রো, য়াম্না মান্নজবনি, অদুম মান্নরসনু। মীয়ামদি লান হৌরকপদগী থোকউ-থোকউবা হায়দুনা লৈরক্লিবসিদি!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৬১)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্সু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মিংথোল মিংকৌখিয়ে। লাইরেল সনা খূৎশু থাংলেল খূৎপায়খিবদি। অসিনসু লোইবা লৈখিদে। মাইকৈ নোংপোক থংবা লম। মাংশা লমদম লমমাহল। তুহাং লমদম লমনুংসিদা। হুয়েল লালদা খৌশারমবনে। মংশা লমনুংশি ও। মিংথোল মিংকৌখিবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। নবুধৌ শৈহেক শৈদা হৈবা। চীংখোং পোইরৈতোলগা। মৈতৈ লৈমা লৈনাওতাবীগা অনীমকনা। শেলবী লমগী শিদয়েন। কবো লমগী নাদয়েন। খুল খুদিং চংনা থীরকপদা। কোরৌ নোংদোল লৈচীল নোংফাইনা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯶꯱)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯁꯅꯥ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯊꯥꯡꯂꯦꯜ ꯈꯨꯠꯄꯥꯏꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯑꯁꯤꯅꯁꯨ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯊꯪꯕꯥ ꯂꯝ꯫ ꯃꯥꯡꯁꯥ ꯂꯝꯗꯝ ꯂꯝꯃꯥꯍꯜ꯫ ꯇꯨꯍꯥꯡ ꯂꯝꯗꯝ ꯂꯝꯅꯨꯡꯁꯤꯗꯥ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯔꯃꯕꯅꯦ꯫ ꯃꯪꯁꯥ ꯂꯝꯅꯨꯡꯁꯤ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ꯫ ꯅꯕꯨꯙꯧ ꯁꯩꯍꯦꯛ ꯁꯩꯗꯥ ꯍꯩꯕꯥ꯫ ꯆꯤꯡꯈꯣꯡ ꯄꯣꯏꯔꯩꯇꯣꯂꯒꯥ꯫ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯂꯩꯅꯥꯎꯇꯥꯕꯤꯒꯥ ꯑꯅꯤꯃꯛꯅꯥ꯫ ꯁꯦꯂꯕꯤ ꯂꯝꯒꯤ ꯁꯤꯗꯌꯦꯟ꯫ ꯀꯕꯣ ꯂꯝꯒꯤ ꯅꯥꯗꯌꯦꯟ꯫ ꯈꯨꯜ ꯈꯨꯗꯤꯡ ꯆꯪꯅꯥ ꯊꯤꯔꯛꯄꯗꯥ꯫ ꯀꯣꯔꯧ ꯅꯣꯡꯗꯣꯜ ꯂꯩꯆꯤꯜ ꯅꯣꯡꯐꯥꯏꯅꯥ꯫ ●

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২২৩ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)



চাইথোরকপা ৱাখল
নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

ঐনা লীলা অহানবা য়াওখৎলকপা মতমদু ঐগী শেৎনবা খোঙ্গ্রাও অনী-অহুম শুনা লৈতে। মচু তাবা ফুরিৎ অমফাওবা লৈতে। য়াম্না ৱায়োং খুদোংচাবা মতম ওইদে। মতমদু ঐ মীঙোন্দগী ফুরিৎ ৱাইবা, ঘড়ি ৱাইবা, আনোক ৱাইবা, পেটি ৱাইবা, অৱাইবা ঙাক্তনা ঐ ফজরি হায় তারে। ঐগী লীলা মতমদুদা য়েংবীবশিংনা ঐগী ফুরিৎ, ঐগী ফেশন দিজাইন লীলা চপ মান্নরবসু দ্রেস অমত্তা মান্ননা উরোই। মরমদি অফং-অফংবা ৱাইরগা লীৎপনি /শীজিন্নবনি। অদুনা অমফাও মান্নফম থোক্তে। ইচিন থি হায়নি, মমল তাঙল-তাঙলবা জেকেটকা লীৎথবীনি। মতমদুদি লীলা য়েংবা লাকপশিংনা ৱাইরো হায়রুদ্রফাওবা আনোক, ঘড়িসি শীজিন্নবীয়ু হায়দুনা পী। মবুক য়াম্না ফবা ঙাক্তা থেংনৈ। য়াম্মনখিদনা মথং সিন্দা শীজিন্নগে হায়না ঙাইরগা থমখিবনি। কোৎকা হায়দুদি ইশাগী ওইনা লৈতে। ঐখোয়গী ইচেশিং থোকপা অমা লৈ। হৌজিক্তি লৈখিদ্রে। মাবু লৌবা ইবাইদু ঐখোয়গী অদুদা লৈ। ইবাইদুসু লৈখিদ্রে। মা চেক শূবা মীনি। মাগী কোৎ অমনবা অমা লৈ। মদু ঐনা লীলাদা লিৎনবা ৱাই। অদুক থিনা মল্লবদু ঐনা লীলাদা লিৎপদা অমনবনি ফজদে কনামত্তনা হায়বীদে। অদু ঐনা লিৎপদুদা ফজবগীরাদি খঙদে। কোটতু নুমিৎ ১০নি হেন্না ঐনা ইবাইদগী ৱাইরগা লিৎপদুদা ঐসি ইশানা খঞ্জবদা পোজ ফজনা তারে হায়না খল্লি। চাওথোকচবা ফাওরকপা মতমদুদা ইবাইনা কোটতু পীরকও হায়না লৌখিবদুদদি ঐ হিং কাবগী ৱানি। মীগী মপোৎ ৱাইবনিনা পীদবসু য়াদবা, পীথোকখ্রে। ইশা লায়রজরবসু লীলাদদি ইনাক খুনবা, মশা নানবা, টাই পুনবা অদুগা কোট লিৎপা শারিবনিনা লিৎতবদদি ইশাসি ইহাঙ হাঙবদৌনা তৌরে। পোজ তাই হায়না খঞ্জরম্বদু ইশাসি নুংশিৎ খংতা তাখ্রবা বোল অকান্বীদৌনা ইশুপ শুপচিল্লে। লীলা মফমদা, লীলা য়েংবা লাক্লিবশিংদুগী মরক্তা কোট লিৎপা অমবু য়াওরবদি হেক্তা ৱাইথরগে সিনি। দাউনা য়াদ্রিসু অমা ফাওবা হেক লাক্তবগী ৱানিসে। ঐ থৱায় ৱারে। লিৎতবদি য়াদে। মরমদি মতমদুদা ঐ ইশাসি ৱাচেৎমুক পায়। কোট লিৎতনা ফুরিৎতুগা টাইদুগা পুনবদা ফজরোইদৌদু খনবদা লীলাগা চঙদ্রে। লীলাদি হৌদৌ ঙাইরবনি। মীনা ড্রুং-ড্রুং তিল্লবনি।

ঙসাইদগী ঐনা লিজরিবা ৱারীসি করি লীলাগীনো, করম কানগীনো হায়বদু য়াম্না খঙবীনীংলমগনি। ঐ মদু পঞ্জদ্রি। পঞ্জহৌরগে। "নাইটক্লব" হায়বা লীলা অমা ঐখোয়না শান্নরম্মী। মমিং য়াম্না চৎপা লীলানি। ঐনা হিরো শাবনি। ঐনা নুংশিনবা নুপীদু মীনা ফাখিবদগী পঞ্জাবী অমা শারগা থিবনি। হোটেল অমদা নুপীদু জগোয় শাদুনা লৈরম্বদা ঐনা পঞ্জাবী শারগা লাকপনি। মদুদা শকখিবা ঈশৈদুসু পঞ্জরমগে- "লমদম তাম্না লৈখ্রবী মাগী, নুংশি মপাউ তাখিদবা কুইরে, নুংশি চেংলৌ উখিদবা কুইরে" হায়বা ঈশৈদুনি। অদুনা ঐসি কোট অমা লিৎতবা ইয়া য়াদবনি। মদুদা ঐনা শেৎপা খোঙ্গ্রাওদু ব্লেক মচুনি। সেকেন্দ হেন্দদগী লৈবনি। অদুসু চুড়াচান্দপুর তান্না চৎলগা খল্লগা লৈরুনি। মতমদুদা ইম্ফাল এরিয়াদা সেকেন্দ হেন্দগী ফিরোল কয়া য়োন্নরমদে। য়োল্লসু মওং অমা ইতা তাদে। চুড়াচান্দপুরদনা ফৈ হায়দুনা বস তোংলগা পাকথবী শো রুমদগী খল্লুবনি। খোঙ্গ্রাও অনী/অহুম লৈরক্লগা অমুক তা কুঞ্জোগী ত্রেলরদা শেমদোইনি। ফজনা পোজ তাই। ফুরিৎতুদি পাওনা বজারগী ত্রেলর অমদা তুজবনি। মচুদু ঐনা খ্বাইদগী পামজবা হৌজিক্তি করি হায়বনো খঙদে। ঐখোয় মতমদুদদি চোংঙা মরূম মচু হায়রগা খঙনৈ। মদুদা টাই অমুবা অমা পুল্লগা কোট অমুবা অমগা ৱাইরগা লিৎপদদি পুরা সুট তারে। মীনা হায়দ্রিঙৈদা হান্না হায়জগে, ঐদু মতমদুদা পোজ তারে হায়না খঞ্জে। পঞ্জাবীগী কোকয়েৎতুসু ওরিজিনেললনি। ইলেক্ট্রিককী পোৎ য়োনবা পঞ্জাবী দুকান অমদা য়েৎহনবনি। কোইদুসু রেদিমেদ ওইনা শারগা নাদা তরানা য়েপশিনবনি। অদুম মাল্লি হায়বা তারে। ৱারীসি ফৈখিদৌরে। মতমদুমতং হায়জরম্মগা ৱারী মখা চথজরক্কে। লীলাদু কুমজা ১৯৭৯-৮০দা ফোঙলগা শান্নবনি।

নুমিৎতুদা ইকায় ইকায়না লীলা কৌবা মী অমদা হায়রগা কোট অমা ৱাইরে। মোইসু পাক লৈনবা নৎতবনা কনাগী কোট লৈ হায়না থিনবদা ওনশিন-ওনশিন ৱা তানৈ। মখা লৈকায়দা লৈবা মী অমগী মমিং পল্লি, মঙোন্দগী হায়রুরসি হায়না কোইচেন চেন্নদুনা কোটতু ৱাইরকখি। মদুই মতুংদগীদি ইশাগী কোট অমা লৈদবা য়াদবগী ফীভম লাক্লে। অদুনা মতমদুদা হিরোইন কুম্মিবা ময়াম্না খোংমন জিল্লা হায়না খঙনবদুগা ঐগা চুড়াচান্দপুর তান্না হাইথরে। সেকেন্দ হেন্দগী কোট অমুবা খরা হনবা খল্লে। ৱাদবু লায়বনি। কুইনা খনখ্রজাৎনি। খুদাং খরা হেক চোন, মনুংগী লাইনীং শেগায়বা হেক য়াওরম, খরা হেন্না চাউবা হেক ওইরম, ৱায়োং অমত্তা চাদ্রে। ময়ামদুদগী খরা ফরে খনবা অমা লৈরে। অদুগা মেক-অপ তৌনবা পাওদরসু চুড়াচান্দপুরদা ফংই। অদুদগী পেকেট তরামুক লৈরে। অদুগা হাইগৎলক্লগা ত্রেলরদা চঙলগা নুংঙাইতবশিংদু শেমহল্লে। অদুগা কোট শূফম অমসু 'রিটজ' হায়দনা দুকান অমা লৈবা মদুদা ফজনা শূহল্লগা ফজনা আইরন তৌরগা পীরকপদুদি ওরিজিনেলগা চপ মান্নরে। পোজ তারে।

লীলাদু মমিং য়াম্না থুনা চৎখ্রে। অদুনা মফম খুদিংদা মায় পাক্লা শান্নরকই। শেলসু অদুম খরা ফংই। অদুদগী ইশাগী ফিরোল লৈরগা লীলাদুগী সিন খুদিংগী দ্রেস শেম শারে। মমাঙঙৈদদি দ্রেসসি আর্টিষ্ট মশা-মশানা লোইনমক লাংজৈ। কনা অমত্তনা মতেং পাংনদে। অদুনা লায়রবা ঙাক্তা ওইনা তৌবনিনা লৈবা ঙম্নদে। কোন্নথংদা পার্টিনা দ্রেস লৈদে হায়না ঙাঙবসি ঙাঙবসি ইকায়বা অমা য়াওবজাৎনি অদুনা তঙাইফদনা লৈনৈ। মতাংসিদা য়াম্না নোক্লিংবা ৱাফম অমত্তগা পলহৌবদা মতাং চাই খঞ্জরগা পঞ্জগে। ঐখোয়না অনৌবা লীলা অমা শান্নবা হায়বদি ফোঙবসে দ্রেস পাক পাক লৈনদে। হান্নগী অরি-অরিবা দ্রেসশিং ইশাগী লৈজবদুদগী য়ান-য়ানবা শেৎনৈ। মসিগী মরমদুনি ঐনা পঞ্জনীংঙিসে। করিগুম্বা লীলাদু মমিং ইচৎ চত্তদনা শো খরা শান্নরগা তোকতৌবা ওইরদি দ্রেস অনৌবা লৈরুরগা শেল মাঙদুনা তোকই হায়দুনা দ্রেস লৈনদবনি। লীলাদুনা ফজখৎলক্তনা মীনা পাম্নবা ওইরবদি লৈনদুইনি। অদুদি শুমাং লীলা অমা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বসি হেক্তা হায়বা ঙমদে। লীলাদুনা শো তরাদগীনা ১৫ খরা হেন্না শান্নরক্লবা, লীলাদুগী মওং অমা লাক্লবা কান্দা লীলাদু ফজৈ ফজদে খঙদুইনি। শুমাং লীলাদদি ঙসি শান্নবসি হয়েং মান্নরোই। আর্টিষ্টতুনা পামজবা দাইলোগ মশানা হাপচিন্নরক্কনি। এক্টিংগী কোওর্দিনেশন তপ্না তপ্না লৈনরক্কনি। ঐনা সি হায়বদা নঙনা সিগুম্বা অমা খুল্লকউ। ঐনা সুম্মাইনা তৌবদা নঙনা শুমাইনা রেস্পোন্স পীরকউ হায়নরগা মদু ত্রাই তৌ তৌদুনা লীলা শান্নবদা ওদিএন্সনা এক্সেপ্ট তৌরবদি অদুম মখা চত্থরে। করিগুম্বা পামদ্রবদি অতোপ্পা মওং অমা অমুক হোংদৌরিবনি। মসিনি শুমাং লীলাগী মতৌ অসি। অদুনা শুমাং লীলা অসি কনাগুম্বা অখঙ অহৈশিংনা হায়নরিবনি 'আর্টিষ্ট সুপ্রিমেসি প্লে' অমনি হায়না। ৱারীদি অমা লৈজরনি। ৱারীদুমদি থোইদোক্লা শোক্লরোই। ঙাঙনদৌরিবা লোল অদু এক্টর অদুনা মশাগা চান্নবা থি-থিদুনা হোং-হোংদুনা ঙাঙগদৌরিবনি। মতাংসিদদি প্লেরাইট অদুনসু কৈসু হায়ররোই। মদুগী লিবর্টি অদু প্লেরাইটনসু এক্টরনসু অদুম পীনৈ। অদুনা মদুগী প্রোসেস ময়াম অমা প্রেক্টিস তৌবদা শো মশীং খরদি চঙই। মদুদগীদি প্লে অদুগী চপ চাবা উচল অমা লাক্লগনি। অদু কান্দুদতা লীলাদু ফজৈ-ফজদে খঙদৌরিবনি। অদুনা ফজরনি হায়বা কান্দুদা আর্টিষ্টশিংদুনা মাগী মাগী দ্রেস লৈনগদৌরিবনি। মসি নুপা শাবসু, নুপী শাবসু চপ মান্নে। অদু ওইরবদি দ্রেস লৈবগী শেল হঞ্জিনলেদনা। মসিনি শুমাং লীলা অমদা চৎনরিবা মতাংসি।

লীলাগী দ্রেসকী মতাংসিদা অচৌবা প্রোব্লেম ময়াম অমা পার্টি মনুংদা থোকপা য়াওই। দ্রেস ফজবা ময়াম্না তু হায়বদু তুগে শেল খরা পার্টিদুনা হাপ্পু হায়বসিনি। মতাংসিদদি য়াম্না মরৈ তৌনবা হৌরে। নুপী শাবীনা হায়, ঐখোয়গী দ্রেসসিদি লম্বীদা শেৎলগা চৎপা য়াবা অমত্তা নত্তে। নুপাগীদি ফুরিৎ খোঙ্গ্রাও লোইনমক শেৎলগা চৎপা য়াই। নুপী শাবীগীদি কম্মাইনা শেৎকদৌরিনো? লীলাদুদা নত্তনা শেৎপা য়াবা নত্তে। অদুবু শেল চঙবদি ঐখোয়না হেল্লি। ফি খক্তনা য়াদে শিরিবা সনাশিংদু শেল ঙাক্তনি। অদুনা লীলা অমগী দ্রেস লাংবদা পার্টিনা খরা হাপ্পু হায়বা প্রপোজেল লাকপা হৌরে। করিগুম্বা মদুদা য়াদ্রবদি অতোপ্পা পার্টি অমগা লোন্না পাউ ফাওনরগা, নঙগী অপাম্বা খুদিং ঐখোয় লোইনা তৌগে মখোয়দা লীলা য়াওরো হায়না লোব্বি তৌনগদৌরিবনি। অদুনা পার্টি কায়বা কোকথোং অমা য়াওরিবনি। লীলা পার্টিগীদি খরা ফবা কাঙবুদো আর্টিষ্ট চিংথোক্লগা কায়হল্লবদি মখোয়না অমুক নম্বর ৱান তাহৌগদৌরিবনিনা মীগী পার্টি থুগায়নবা কন্না হোৎনবা আর্টিষ্টশিংদা লাং থাকপা কন্না তৌনৈ। মখাদি মথংদা ওইনা লাকচরগে। ●

# মণিপুরগী ঈশিং ঈচাও

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১২৩
ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার

প্রসিদেন্টস রুল লৈরে কায়না ঈশিং ঈচাও থোরক্কনু হায়বদি য়াদেদো। থাজবা য়াবা পাউগী মতুংইন্না য়ূম ১০,৪৭৭ ঈশিং ঈচাওনা থুমজিন্দুনা অতেক-অকাই য়াওরে, মীওই ৫৬,০০০ মুক্কী পূন্সিদা অকায়বা পীরে ইচাওনা, মীওই ৩,১৪৭না রিলিফ কেম্প অমদি টেম্পররি শেল্টর লৌদুনা লৈনখি, অদুগা য়ামদ্রমদা মীওই ৩দি লৈখিদ্রে।

অদুবু য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি, সেন্টর লৈঙাক্লা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা কুমজা ২০২২দা ফ্লদ মেনেজমেন্ট এন্দ বোর্দর এরিয়া প্রোগ্রামশিংগীদমক শীজিন্ননবা থাদরকখিবা লুপা ক্রোর ৪৬০গী মনুংদা শুপ্পগী ক্রোর ১৭০ মুকখক শীজিন্নখি, মদুসু মীয়াম্না অপেনবা ওইখিদে হায়না পাউদা থেংনৈ। লেমহৌরিবা অয়াম্বা শেনফম হায়বদি লুপা ক্রোর ২৯০না নুংশিৎতা মাঙখ্রে। হায়রিবা শেনফমশিং অদু ময়েক শেংনা শীজিন্নবা ওইরল্লবদি ঙসি ঈশিং ঈচাওগী অচৌবা চৈথেং নংলিবসি নংলল্লোই। নংলম্বা থোক্লবসু য়াম্না পীক্লা নংবা ওইরমগনি।



হোয় ঈশিং ঈচাও থোকপা হায়বসি মহৌশাগী অহিং অশা অমদি নোংজু নুংশাগী মখাসু য়াম্না পোল্লি অদুগা লমদম অদুগী চীং অমদি চীংয়া তময়াদা হৌরিবা উ-ৱানচিংবগী ফীভমসু য়াম্না মখা পোল্লি। লাইবক থীরিবদি, প্রসিদেন্টস রুল লৈশিন্দুনা লমদমসি ময়াং লুচিংবশিংনা লৈঙাক্লিবা মতমসিদা ঈশিং ঈচাও থোকচিল্লকপা অসিনি। পি আর লৈত্রিঙৈ মতমদা লোকল মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংনা লৈঙাক্লিঙৈ মতমদা ফাওবা ঈশিং ঈচাও অদুম থোক্তুনা ঈশিং ঈচাওগী চৈথেং ফংদুনা লাকখি চহী খুদিং।

অদুবু ঙসি মণিপুরবু মশক নীংথিনা খঙদবা ময়াং লুচিংবশিংনা লৈঙাক্লিবা মতমসিদা করিবু থোক্লগবা খনবদা ৱাদবা ঙমদে। ইরমদমগী মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিং মথৌ তৌনা তৌনা ঈশিং ঈচাও থিংবা ঙমদনা লাক্লগা ইরমদমগী মরমদা মমুৎ তানা খঙদবা ময়াং লুচিংবশিং অসিনা করি তৌবা ঙমগদৌরিবা, হংবা য়াদ্রবা ৱাহংনি।

পি আর লৈগেরা লৈরোইরা, মতুংদসু ঈশিং ঈচাওদি অদুম থোকখিনি চহী খুদিং মোন্সুন সিজননা লাকপদা। করিগীনো হায়রগদি ইরমদমগী ঈশিং ঈচাও থোক্তনবা রোদ মেপ লৈতে, লোং টর্ম পোলিসি লৈতে, ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎতে। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী খুদক-খুদক্কী ওইনা থবক তৌই, ঈশিং চাওবা হেক হন্থখিবদা অমুক লোইনা কাউখিগনি লুচিংবশিংসু, মীয়ামসু। মথং মোন্সুন সিজননা লাক্তুনা ঈশিং ঈচাও থোরকপা হৌরকপদা অমুক নীংশিংলক্কনি লুচিংবশিংনসু, মীচম মীয়াম্নসু।

অসুম্না মখা তানা ঐখোয় চহী কয়া লৈখিগনি, খনবদা ৱাদবা ঙমদে। অসিগুম্বা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী থৌওং অসিনদি চহী খুদিংগী ঈশিং ঈচাও থোকপা তাবনি, লন-থুম মাঙবা তাবনি, লম্বী থোং কায়বা তাবনি, শা-ঙা কয়াসু মাঙবা তাবনি লোয়ননা লৌউ-শিংউবদসু অকায়বা কয়া পীবা তাবনি। লাইবক থীরিবদি, অশি-অনাসু য়াওগদৌরিবনি।

অসিগুম্বা ঈশিং ঈচাওনা পুরকপা অৱা-অনা কয়া অসি থোকহল্লোইসি হায়রবদি মণিপুর লৈঙাক ৱাখল তাবা অমদি মথৌ তৌবা মথৌ তাই অরাপ্পা মীৎয়েং থমদুনা। চহী খুদিং থোকপা হৌরক্লিবা ঈশিং ঈচাও অসি থোকহল্লোইসি হায়রবদি মণিপুর লৈঙাক্লা লোং টর্ম পোলিসি থমদুনা থবক লৌখৎপা, প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা মথৌ তাই। করি করি তৌবা য়াই হায়বদু শল্লপ্পা নীংশিংজগে।

টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদনা হেল্লি নোং তাবা মণিপুরদগী ত্রোপিকেল রিজন ওইবনা মোন্সুন সিজনগী নোংসু লাকপনে, টাইফুনসু তোয়না লাকপনে, নীংথমথাদসু নোং তাবনে লোয়ননা সমুদ্রনা মায়কৈ খুদিংমক কোইশিন্দুনা লৈবগা। টাইফুন য়াম্না তোয়না লাকপা ঈথৎ ওইবনা অকনবা, অচৌবা নোংসু তারিবনি অকনবা নুংশিৎকা লোয়ননা। টাইফুন অমুক লাকপদা হৈথরকপা ঈশিংসিদি অদুক্কী মতিক য়াম্বজাৎনি অতেনবা মতমদা।

অচৌবা অকনবা টাইফুন অমা লাকপদা পুং ৩-৪গী মনুংদা নোংগী চাংসি মিলিমিটর ১,০০০দগীনা ৩,০০০ ফাওবা হৈথরকই নোংথক্তুগী। অসুম্না তৌবসিনা টাইফুননা য়ৌরিবা মফমশিংদুদি flash flood থোক্লিবনি। অসিগুম্বা টাইফুন লাকপা মতমদদি নোং চুবগী চাংসি অদুক্কী মতিক চাউবনা ঈশিং ঈচাওসি খুদক খুদক্তা থোকহল্লি। অদুবু টাইৱানদা ঈশিং ঈচাও ঙাকথোক্লবা পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাক্তুনা নীংথিজনা মেন্টেন তৌদুনা থম্বনিনা অদুক য়াম্বা ঈশিংদো থুনা লাকপগুম থুনা অমুক শ্বাই কংখি। করিগীনো হায়রগদি অথুবা মতমদা অহেনবা ঈশিংদো থাদোকখিবনা। মসিগী মরু ওইবা মরম খরা হায়রগদি মখোয়গী drainage, sewage water barrier, barrage নচিংবসি নীংথিজনা শেম্বীদুনা থম্বসিনি।

টাইৱানগী অচৌ অচৌবা তুরেল কয়া সিটি কয়া ফাওদুনা চেল্লি। অদুম ওইনমক মোন্সুন সিজননা লাকপদা তুরেলশিং অসিগী ঈচেলনা ফনা লেভেল ৱাংখৎলবসু তুরেলশিং অসিদগী অহেনবা ঈশিং পাথোক্তে। মসিগী মরমদি তুরেলগী নাকল অনীমক্তা অৱাংবা পল (ৱাল) খাগৎতুনা থম্মী। পলশিং অসি শুপ্পগী পল ওইনখক থম্বা নত্তে, তৌইগুম্বসুং গাড়ী থৈনবা য়াবা, হায়বদি লেন ২ থোক্লা লৈবা গাড়ী লম্বী ওইনা শেল্লীবনি। হায়রিবা ৱালশিং অসি নুঙ, কনক্রিট, সিমেন্ট অমদি য়োৎ য়াওনা কন্না শারিবনি ঈশিং ঈচাওনা নমখায়বা ঙমদনবা। অসুম্না শেম্বসিনা লম মাঙহন্দবীদা গাড়ী থৌবসু য়ারে অদুগা ঈশিং ঈচাওদগীসু ঙাকথোক্লে। লোয়ননা নোং তাবা অমদি ঈশিং চাউদবা মতমদদি তুরেল খোংবানসি পার্ক ওইনা থমদুনা গাড়ী খাম্ফম, শান্নফম অমদি শাজেল তৌফম ওইরিবনি। হায়বদি য়াম্না কান্নে হায়বনি।

অদুগা নোং তোইনা চুগনবা ঈথৎ অমা ওইবগা টাইফুনসু তোয়না লাকপা মফম ওইবনিনা ঈশিংসি অদুক্কী মতিক য়াম্না তাশিনবনা সিটি মনুংদা লৈরিবা অপীকপা stream, sewage অমদি দ্রেনেজশিংসি পীক পীক থনবা য়াওদবা নত্তে অদুবু হায়রিবা ঈশিং ঈচাওদগী ঙাকথোক্লবা ষ্ট্রকচর কয়া অমা নীংথিজনা শেম্বীদুনা থম্মী লোয়ননা মতম মতমগী ওইনা শেংদোকপীবনা ঈশিং ঈচাও থোকপা হায়বদুমদি তোয়না থোক্তে।

মতাংসিদা মণিপুরগা টাইৱানগা চাংদম্নবা য়ারোই, টাইৱানদি শেল পায়বা লৈবাকনি কায়না হায়রকপা য়াওই। শেলগী ওইরদি ক্রোর ৪৬০ কুমজা ২০২২দা সেন্টরনা কায়থোকখিবদু করম্না লুপা ক্রোর ১৭০ খক শীজিন্নরগা অতৈদি কদাইদা শীজিন্নখিবগে হায়বগী ৱাফমসিমা অদুম ইশা ইশানা হংবীরো। মরম অসিনা ঈশিং ঈচাওগী প্রোব্লেমসি শেল লৈবা লৈতবগী ৱাফম নত্তে, তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী লুচিংবশিং অমদি মখোয়গা চৎমিন্নরিবা লৈঙাক্কী ওফিসশিংদা ফম চাউনা পুরিবশিং অসিনা মতৌ করম্না থাদরক্লিবা শেনফম অদু শীজিন্নবগে হায়বদুনি।

কুইররোই লাক্লনি অমুক মোন্সুন সিজনগী নোং। লোইশিল্লকপদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি, নোংজুথানা লাকপদা ঈশিং ঈচাও থোরকপদা কদাইদা রিলিফ কেম্প থমসিগে, করি করি মতেং পীগিসিগে, চান-থক্লবা করি-করি য়েন্থোকসিগে, য়ূম কয়া শাবীসিগে হায়না ঐখোয়গী লুচিংবশিং অমদি কন্সর্ন ওথোরিটিশিংনা ঙাইদুনা লৈগদৌরিবরা? নৎত্রগা ঈশিং ঈচাও অদু থোক্ত্রিঙৈদা করম করম্বা চেকশিন খোঙথাংশিং মাঙজৌননা লৌখৎকদৌরি হায়বসিনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।